# হুইয়েন লানপাউ

HUEIYEN LANPAO

Refreshingly Reliable

The messenger of the masses


কৈশাম বিরজিৎ হায় স্কুল পাংসোইগী ফাউন্দর কৈশাম বিরজিৎ লৈখিদবগী ৯শুবা কুমওন থৌরম অমদি অফবা মহৈরোয়শিংদা মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম



লামায় ৪

বিষ্ণুপুর ৱিমেন পুলিস ষ্টেসনগী কমপ্লেক্সতা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইনা চাইল্ড ফ্রেন্দলি পুলিস ষ্টেসন অমা বিষ্ণুপুরগী দি সী নীতা অরাম্বমনা রিবন কক্তুনা হাংদোকখিবা



লামায় ৪

অথৌবশিংগী নুমীৎ থৌরমগী মাংওইননা কংলাগী ৱেষ্টর্ন গেট অমসুং অকোয়বদা মচু কয়ানা লৈতেংলবা লাইটশিং থানবা



লামায় ১

বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)কী ১১৩শুবা বট্টালিয়ননা কাক্তা, শান্তিপুর অমদি তোর্বুংগী খুঞ্জাশিংদা মোদর্ন সোলর ষ্ট্রিট লাইটিং সিষ্টমশিং য়েন্থোকখিবগী শক্তম



লামায় ৩


Vol. 43, Issue No.136 | লৈবাকপোকপা, থৱানগী ১৩নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Tuesday, August 13, 2019, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## অথৌবশিংগী নুমীৎ : হৌখিবা চহীগী মতৌ হন্দক্তি তৌহন্নীংদে হায়নরক্লি




ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস): মণিপুরগী নীংতম্বা ঙাক্লবগী লানফমদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবশিংগী মফমদা হয়েং মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংবশিং, তোঙান-তোঙানবা লন্নাই লূপশিং, মহৈরোয়শিং, মপান লমদা চোইনা খুন্দাখ্রবা মণিপুরীশিংনা ইকাই খুম্নবা উৎপগী থৌরমশিং পাঙথোক্লগদৌরি।

অথৌবশিংবু পূকচেল শেংনা ইকাই খুম্নবা উৎপা পান্থা মীওই খরনা পাউচে অসিদা হায়খি, হৌখিবা কুমজা ২০১৮গী ওগষ্ট ১৩দা পাঙথোকখিবা অথৌবশিংগী নুমীৎ থৌরমগা মরী লৈননা লৈঙাক্কী লুচিংবশিং, সিভিল অমদি পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিং অমদি লন্নাই মীওই কয়ানা সাহিদ মিনরদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্নখি। অদুবু লুচিংবশিংনা হৈকৎ-লৈকৎ তম্নবগীদমক সাহিদ মিনর মখোঙ য়ৌনা চঙশিনফমদা কার্পেট নৎত্রগা অঙৌবা ফি থুংনা থারম্বা থেংনখিদে। শিল্পি লাংলিবশিংদা চেকশিন্দবগী মমি তাখি। হৌখিবা চহীগী মতৌ হন্দক্তি তৌহন্নীংদে।

ষ্টেট অসিগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা থৌরম অমা পাঙথোকপদা ভি আই পিশিংনা খোঙনা চৎকদৌরিবা মফমদা ফি মতৎ নৎত্রগা কার্পেট মতৎ থারগা অয়াম্বা শরুক্না হাঙহল্লমখিবা থৌওং অদু ফজবা ৱাৎলি। হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা অথৌবশিংগী নুমীৎকা মরী লৈননা লুচিংবশিংনা সাহিদ মিনরদা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বা লাকপা মতমদদি শিল্পি-লাংলিবশিংনা হৌখিবা চহীগী মতৌ অসি থোক্তনবা নীংথিনা য়েংশিনহন্নীংই। অথৌবশিংগী নুমীৎ থৌরমদা মীয়াম্না নুংঙাইতবা ফাওনগদবা মওংদি শিল্পি-লাংলিবশিংনা তৌহন্নীংদে। থৌরম অসি মীয়াম্না পেন্নগদবা মওংদা শিনবা লাংবনা অথৌবশিংদা ইকাই খুম্নবা উৎপা থোক্কনি। মীপূম খূদিংমক্কসু হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী থৌরম অসিদা শরুক য়াহন্নীংই হায়নসু মীওই খরনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, অথৌবশিংগী নুমীৎনা লাকপদা কংলা গেটকী অকোয়বদা ঙসি নুমিদাংদগী হৌনা মীয়ামগী পূক্লিং হূগদবা মওংদা মচু-মচুগী লাইট থানবা হৌখ্রে।

## ফাজিনখিবা মীওইশিং থাদোরক্তবদি ইন্দিপেন্দেন্স দে শরুক য়ারোই : জয়কিষন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস):

বেবিসনা মীশিগী মতাংদা শেমখিবা জে এ সীগী ফাজিনখিবা মীওইশিং থাদোরক্তবদি ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম শরুক য়ারোই। মীয়াম্না ৱাদুনা লৈরগা থৌরম অসি য়াওবগী ৱাহন্থোক লৈতে হায়না এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

খোয়াথোংদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা খুমুকচম জয়কিষননা হায়খি, বেবিসনা ...মখা লামায় ৩ কলম৭

## নহাশিংনা খুন্নাইগীদমক করি তৌগদগে খনবা চঙই : লৈশেম্বা সনাজাওবা




ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস):

নহাশিংনা খুন্নাইগীদমক করি তৌগদগে খনবা চঙই, মরমদম নুংশিবগী অশেংবা ৱাখল্লোন পোল্লবদি লমদমসিগী অফবা ওইগনি হায়না মণিপুরগী নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা ঙসি ইন্টরনেসনল য়ুথ দেগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর পিপলস পার্টি (এম পি পি) না শীন্দুনা ঙসি জি এম হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা হায়খি, রিজনল পার্টি ওইরিবা এম পি পিনা য়ুথ দেগী থৌরম পাঙথোকপসি য়াম্না অফবা খোঙথাং অমনি। ইন্টর-নেসনল য়ুথ দে হায়বসি য়ু এননা এদোপ্ট তৌরগা মালেমগী মফম খুদিংমক্তা পাঙথোক্লবা মরুওইবা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬

## অথৌবশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস):

অথৌবশিংগী নুমিৎকা মরী লৈননা মণিপুর গভর্নর ডা. নজমা হেপ্তুলা অমদি চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মায়কৈদগী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি।

মখা লামায় ৩ কলম ৪

## HL Poll

Q: Ashaba shaktak che pairaga state asida narolda changlakpa rohingya sing police na mapung fana thingba ngamgani khanbra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Sonia Gandhi bu Congresski Interim President khankhibana partygi mapangal kankhathanba ngamlagani khanbra?

Yes 47% No 53%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩ দা

## Important Phone Nos.

| | | |
|---|---|---|
| RIMS | - | 2414478 |
| J.N. Hospital | - | 2450385 |
| DG Control | - | 2450100 |

**FIRE SERVICE**

| | | |
|---|---|---|
| Imphal | - | 101 |
| Moirang | - | 8415925197 |
| Churachandpur | - | 8415925191 |
| Thoubal | - | 8415925203 |
| Kakching | - | 8415925194 |
| Jiribam | - | 8415925193 |
| Mayang Imphal | - | 8415925196 |
| Bishnupur | - | 8415925190 |
| Moreh | - | 8415925198 |
| Kangpokpi | - | 8415925195 |
| Ukhrul | - | 8415925205 |
| Senapati | - | 8415925199 |
| Chandel | - | 8415925192 |
| Singhat | - | 8415925201 |
| Sugnu | - | 8415925202 |
| Yairipok | - | 8415925206 |

## Today's Flights Timing (Non Stop only)

| | |
|---|---|
| IMPHAL → | AGARTALA |
| IndiGO | 13:25 |
| IMPHAL → | AIZAWL |
| Air India | 12:20 |
| IMPHAL → | DELHI |
| IndiGO | 14:30 |
| Air India | 15:55 |
| IMPHAL → | GUWAHATI |
| IndiGO | 09:45 |
| Air Asia (India) | 11:30 |
| IndiGO | 12:20 |
| Air India | 12:45 |
| Air Asia (India) | 13:00 |
| IndiGO | 13:45 |
| IMPHAL → | HYDERABAD |
| IndiGO | 10:00 |
| IMPHAL → | KOLKATA |
| IndiGO | 11:00 |
| Air India | 14:45 |

## অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩০ °C খ্বাইদগী ঈংবা ২২ °C

মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ৫.৬৫ এম এম

নুমিৎ থোকপা : অয়ূক পুং ৪.৪৭

নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫১

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 79.952216 |
| US Dollar | 71.266492 |
| British Pound | 86.191738 |
| Australian Dollar | 48.110107 |
| Chinese Yuan Renminbi | 10.096310 |
| Japanese Yen | 0.677522 |
| Malaysian Ringgit | 16.972126 |
| Australian Dollar | 48.110107 |
| Singapore Dollar | 51.407093 |
| South Korean Won | 0.058475 |
| Saudi Arabian Riyal | 19.004398 |
| Thai Baht | 2.312170 |
| Myanmar Kyat | 0.04725 |
| Bangladesh Taka | 0.84421 |

## Spot Gold (24K) Rates/10gm

| | | | |
|---|---|---|---|
| Chennai | – | Rs | 38310.16 |
| Mumbai | – | Rs | 38877.01 |
| Delhi | – | Rs | 39144.39 |
| Kolkata | – | Rs | 39272.73 |

## চ্যেরমেন লাবা মৈতৈনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ : কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টিগী লান্মী শঙলূপ মীয়ামগী ফিঙাঙ লান্মী (এম এফ এল)গী ১৫শুবা মপোক কুমওন লাকপগা মরী লৈননা কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টিগী প্রসিদেন্ট মিলিটরি এফ্যের্স কম্মিটিগী চ্যেরমেন কে এস ঐচ লাবা মৈতৈনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টিগী প্রসিদেন্ট মিলিটরি এফ্যের্স কম্মিটিগী চ্যেরমেন কে এস ঐচ লাবনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা য়াইফ পাউজেল পীবগী চেরোল অদুনা হায়, কুমজা ২০১৯গী ওগষ্ট ১৩ অসি কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টিগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## লালহৌলূপ ৭না ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম অথিংবা থম্লক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ : অৱাং-নোংপোক লমদমদা খুৎলায় পায়দুনা লান হৌরিবা তোঙান-তোঙানবা লালহৌলূপ ৭ না ইন্দিয়াগী ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরম অথিংবা থম্লে হায়না লাউথোরক্লি।

কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি (কে সী পি)গী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিগী সেক্রেটরি ইন-চার্জ এস মঙালনা থাদোরকপা লালহৌলূপ তরেৎকী চেরোল অসিনা হায়, ইন্দিয়াগী ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবা ওগষ্ট ১৫গী অয়ুক পুং ৬ তগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা ৱেসিয়া রিজন্দা পুং ১২গী টোটেল শটদাওন লাউথোক্লে।

মখা লামায় ৩ কলম ৬

## টোটেল শটদাউন লাউথোক্লে : কে সী পি-এম জে সী

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ : ইন্দিয়াগী ৭৩শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরম বোইকোট তৌবগা লোয়ননা ওগষ্ট ১৫দা পুং ১২গী টোটেল শটদাউন লাউথোক্লে হায়না কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি-মিলিটরি জোইন্ট কম্মিটি (কে সী পি-এম জে সী)গী সেক্রেটরি পব্লিসিটি এন্দ প্রোপে-গন্দা নিংথেম মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, কংলৈপাক অসিদা পূন্না খুন্দামিন্নরিবা ইন্দিজিনস কংলৈচাশিংগী কলচর অমসুং ট্রেদিসনদা লৌনম নমথাক হৈবা, ফত্ত-লাল্লোং তৌদুনতা লৈবা কোলোনিয়ল ইন্দিয়নশিংগা ঐখোয়গা ...মখা লামায় ৩ কলম৭

## মণিপুরদসু ইন্টরনেসনল লেফ্ট হেন্দর্স দেগী থৌরম পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈরি



জিম্মী ৱাহেংবম



নামৈরাকপম এদিসন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস):

মালেমগী মফম খুদিংদা হয়েং ইন্টরেনসনল লেফ্ট হেন্দর্স দে পাঙথোক্লগদৌরি। থৌরম অসি মণিপুরদসু পাঙথোকপগী তঙাইফদবা লৈরি হায়না মীওই কয়ানা ফোঙদোক্লরক্লি।

খূৎ ওইনা চাক চাবা, লাইরিক ইবা অমদি থবক অয়াম্বা খূৎ ওই শীজিন্নবা অঙাংশিংদা অহল-লমনশিংনা ঙাঙবা-চৈবা অমদি মরূপ-মপাংশিংনা লক্লবা য়াওনা তোঙান্না য়েংবীবগী মতৌশিং অসি হৌজিকসু লৈরি। অসিগুম্বা মতৌশিং অসি লৈহন্দনবা অমদি লেফ্ট হেন্দর্সশিংবু তোঙান্না য়েংবগী মীৎয়েং অদু তৌহন্দনবা ইন্টরনেসনল লেফ্ট হেন্দর্স দেগী থৌরম অসি লমদম অসিদসু পাঙথোকপগী মথৌ তারক্লি।

ইন্টরনেসনল লেফ্ট হেন্দর্স দেনা লাকপগা মরী লৈননা পাউচে অসিনা অখন্ননা উনবা অমদা চলৌ অৱাং লৈকাইদগী লেফ্ট হেন্দর জিম্মী ৱাহেংবমনা হায়খি, লেফ্ট হেন্দর ওইবসি অঙাং ওইরিঙৈদদি মীরক তিনবদা, চাকচা-হৈজানবদা ইকাইবা ...মখা লামায় ৩ কলম ২




## অস! লোইরেহে!

- হৌজিকমক হায়নখিবা শেনফমদু পীদ্রবদি কাপ্নুনা হাৎলগনি...!



- অদুগা মীহাৎপা পুথোকপদা চহী য়াঙ্খ্রে-হুম্ফুসু চঙবা য়াই...!

## রেখা মীহাৎকী লংলা-লংজিল থিদোকপদা মতেং পাংবীয়ু : সরিতা

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১২ (ঐচ এন এস):

লমদমসিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংনা রেখা মীহাৎকী মতাংদা অশেংবা লংলা-লংজিল থিদোকপদা মতেং পাংবীয়ু হায়না লৈখিদ্রবী রেখাগী মচানুপী সরিতানা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা সরিতা নাওরেমনা হায়খি, চহীসিগী মে ২৯ দা মীহাৎ থীনা হাৎলম্বী নাওরেম ওংবী রেখাগী মীহাৎতা চিংনৈ হায়না ফারগা জেলদা ...মখা লামায় ৩ কলম ৬




